৩৮ শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ, ২০১৮

# চহী ১২ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ঐচ শঙ্কর অমসুং এস অস্বজিৎ থেংগাইনরগনি



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৫ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর টেন্নিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) না শীন্দুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিসর্স ক্লবকী টেন্নিস কমপ্লেক্সতা সেপ্টেম্বর ৩ দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৮ শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী চহী ১২ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ঐচ শঙ্কর অমসুং এস অস্বজিৎ থেংগাইনরগনি।

মেন্স অমসুং লেদিস সিঙ্গলস, অন্দর ১৪ বোইজ সিঙ্গলস অমসুং গর্লস সিঙ্গলস, অন্দর ১২ বোইজ সিঙ্গলস অমসুং গর্লস সিঙ্গলস, নুপাগী চহী ৪৫ মথক অমসুং চহী ৫৫ মথক্কী অমদি মিক্স ইভেন্ট পূন্না কেটিগরি ৯ থোক্লা খায়দোক্তুনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় ৫০ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ৩৮ শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী চহী ১২ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ঐচ শঙ্করনা টি ঐচ নিরজপু ৬-১, ৭-৫ দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি। অদুগা কেটিগরি অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচতা এস অস্বজিৎনা টি ঐচ রজিবকুমারবু ৬-০, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা চহী ১২ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

লেদিস সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা এল চার্মি অমসুং এল লিন্দা শান্নগদবা মেচ অদু এল লিন্দা লাক্তবদগী এন চার্মিনা ৱাকওভর ফংদুনা ফাইনেল চঙখি। অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা বন্তি চোংথাম অমসুং ৱাই অগু শান্নখি। মেচ অদু বন্তি চোংথামনা ৱাই অগুবু ৬-০, ৬-০ দা মায়থীবা পীরমদুনা লেদিস সিঙ্গলসকী ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

চহী ১৪ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা এন চার্মি অমসুং ৱাই থোইবী শান্নখি। অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা এন চার্মিনা ৱাই থোইবীবু ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

কেটিগরি অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা এল লিন্দা অমসুং এম এন সী সনারৈমা শান্নখি। মেচ অদু এল লিন্দানা এম এন সী সনারৈমবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা চহী ১৪ মখাগী গর্লস সিঙ্গলসকী ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

চহী ১২ মখাগী গর্লস সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা এম এন সী সনারৈমা অমসুং এল নন্দিনি শান্নখি। মেচ অদু সনারৈমনা নন্দিনিবু সেট ৮-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা ৱাই থোইবী অমসুং পুজা সাইখোম শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই থোইবীনা পুজা সাইখোমবু ৮-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মেন্স দবলস কেটিগরিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা টি গোজেন অমদি রিভাস্করগী জুরাগা টি পামৈ অমদি অজাদ খানগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা টি গোজেন অমদি রিভাস্করগী জুরানা টি পামৈ অমদি অজাদ খানগী জুরাবু ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীরম্লগা কেটিগরি অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অহানবা জুরা ওইখি।

অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ ওইনা লিলেনি অমদি প্রেমজিৎকী জুরাগা রাহুল অমদি বেকরগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদু লিলেনি অমদি প্রেমজিৎকী জুরানা রাহুল অমদি বেকরগী জুরাবু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা কেটিগরি অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙন্বা ২ শুবা জুরা ওইখি।

৩৮ শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী চহী ৪৫ মথক্কী দবলস কেটিগরিগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী রঞ্জন অমদি প্রকাশকী জুরা বাই ফংদুনা কোর্টর ফাইনেল চঙখি। অদুগা অনীশুবা মেচ ওইনা রোমিও অমদি প্রদিপকী জুরাগা রঞ্জিৎ অমদি তোম্বগী জুরাগা শান্নখিবা মেচ অদু রোমিও অমদি প্রদিপকী জুরানা ৬-৭ (৭-২), ৬-১ (১১-৯) দা মায় পাক্তুনা কোর্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

কেটিগরি অসিগী অহানবা কোর্টর ফাইনেল মেচ ওইনা রঞ্জন অমদি প্রকাশকী জুরাগা লৈশেমসনা অমদি এলদ্রিনগী জুরাগা শান্নখি। মেচ অদু রঞ্জন অমদি প্রকাশকী জুরানা ৬-০, ৭-৬ (৪) দা মায় পাক্তুনা চহী ৪৫ মথক্কী দবলস কেটিগরিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অহানবা জুরা ওইখি।

৩৮ শুবা ষ্টেট ওপন কেশ প্রাইজ টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা চহী ১২ মখাগী অমসুং চহী ১৪ মখাগী গর্লস ফাইনেল অমদি চহী ৪৫ মথক্কী সিঙ্গলসকী কোর্টর ফাইনেল শান্নগনি। অদুগা চহী ৪৫ মথক্কী মেন্স দবলসকী কোর্টর ফাইনেল মেচ ওইনা পুং ৮.৩০ অমদি চহী ১২ মখাগী বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেল পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা শান্নগনি।

# পুন্যা মোইরাংথেমনা নুপীমচাগী স্পেসল কেটিগরি ইভেন্টকী মপু ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৫ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএসননা শীন্দুনা শিংজমৈ তোপ লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা থা অসিগী ২ দগী হৌদুনা ৭ ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পূন্না দিষ্ট্রিক্ট মরিগী টিম ১৫ না শরুক য়াদুনা ভেটরান মেন এন্দ ৱুমেন, সিনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন, জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস, সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস অমসুং কেদেট বোইজ এন্দ গর্লস হায়না কেটিগরি ১০ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা ২৭ শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ অমসুং ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮-১৯ গী নুপীমচাগী স্পেসল কেটিগরি ইভেন্টকী মপু পুন্যা মোইরাংথেমনা ওইখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট মরিগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় পুন্না ১৪১ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ষ্টেট লেভেল অমসুং ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী স্পেসল কেটিগরি ইভেন্টকী ফাইনেল মেচ ওইনা পুন্যা মোইরাংথেম অমসুং সিন্দি কোংব্রাইলাৎপম শান্নখি। মেচ অদু পুন্যা মোইরাংথেমনা সিন্দি কোংব্রাইলাৎপমবু ২৫-২২, ২৫-২২, ১৮-২৫, ২৫-১৭ তা মায়থীবা পীরম্লগা কেটিগরি অসিগী ৱিন্নর ওইখিবনি।

ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা জি মালা অমসুং কাননবালা শান্নখি। মেচ অদু জি মালানা অপনবা লৈতনা কাননবালাবু ২৫-০, ২৫-০ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা কেটিগরি অসিগী অনীশুবা মেচ ওইনা এস রোজি অমসুং বার্সিলোনা শান্নখি। মেচ অদু এস রোজিনা বার্সিলোনাবু ২৩-৬, ২৫-০ দা মায়থীবা পীখি।

সব-জুনিয়র বোইজকী ফাইনেল মেচ ওইনা হিরিটিক অমসুং সুরেশ শান্নখিবা মেচ অদু হিরিটিকনু সুরেশপু ২১-১, ২১-০ দা মায়থীবা পীরম্লগা কেটিগরি অসিগী মপু ওইখি। ৱুমেন্স সিঙ্গলসকী মেচ ওইনা বিদ্যানা মেমথোইবু ১৪-২৫, ২৫-৪, ২০-১০ দা মায়থীবা পীখি।

মেন্স টিমগী ফাইনেল মেচ ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট-এ অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট-এ শান্নখি। অহানবা সিঙ্গলস এল ঙাম্থোইবনা য়াইসবু ২৫-০, ২৫-৯ দা, অনীশুবা সিঙ্গলসতা য়াইমসনা নেত্রজিৎপু ২৫-৭, ২১-১৫ দা অমসুং দবলসকী মেচ ওইনা মাধোপ অমদি অদিত্যগী জুরানা ইতোম্বী অমদি অমরজিৎকী জুরাবু ২৫-১, ২৫-১৬ তা মায়থীবা পীরম্লগা মেন্স টিম ইভেন্টকী ৱিন্নর ইম্ফাল ৱেষ্ট-এনা ওইখি।

ঙসি শান্নখিবা মেন্স টিম ইভেন্ট অদুদা এন য়াইমসনানা, ৱাই সঞ্জিৎ অমসুং এল সুশিলনা স্লাম কাপখি।

# মিনিষ্টর নেমচা কিপজেননা অহানবা হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল কেম্প খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৫ (ঐচ এন এস) ঃ ষ্টেট অসিগী সোসল ৱেলফ্যের অমসুং কোওপরেসন মিনিষ্টর ওইরিবী নেমচা কিপজেননা ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফ্যের গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর, দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর, সিসু সরোথি অমসুং হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা ষ্টেট অসিদা অহানবা ওইনা হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল ইন্ট্রোদক্টরি কেম্প হৌদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুরদা অহানবা ওইনা হৌদোকখিবা হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল ইন্ট্রোদক্টরি কেম্প অদুগী হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবী ষ্টেট অসিগী সোসল ৱেলফ্যের অমসুং কোওপরেসন মিনিষ্টর নেমচা কিপজেননা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা লৈরিবা দিফ্রেন্টলি এবল মীওইশিংনা শান্নবগী লমদা মায় ওনশিন্দুনা মখোয়গী মমাঙদা লৈরম্বা ৱাখল্লোনশিং অদুবু নাথৈদুনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা পুক্নিং চঙবা ঙম্লবসু ঙসি হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল ইন্ট্রোদক্টরি কেম্প অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা শান্নরোয়শিং অদুবু থাগৎপা অমদি পুক্নিং থৌগৎপা ফোঙদোকখি।

মীওই অমা ওইনা মালেম অসিদা খোঙদারকপা মতমদা অতোপ্পা মীওইশিংনা লৈরিবা খুদোংচাবশিং অদু ৱাৎলবসু দিফ্রেন্টলি এবল মীওইশিংনা মখোয়না ফংলিবা অহেনবা খুদোংচাবশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্তুনা শান্নবগী লম খক্তা নত্তনা অতোপ্পা লম কয়াদসু খুমাঙ চাওশিন্দুনা লৈরিবা মীয়ামদগী অথোইবা ওইবা ঙম্নবা হোৎনরি হায়বা অসি খঙলদুনা মখা তানা মখোয়দা অহেনবা থৌনা অমদি খুদোংচাবা পীদুনা দিফ্রেন্টলি এবল ওইরবা মীওইশিং অসিনা শান্নবগী লমদা খোঙ থারকপা মতমদা পীবা য়াবা মতেং পীগনি হায়রি।

মণিপুরদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোলগী নুমিৎ হুম্নিগী কেম্প অসিনা মণিপুরদা তুং কোইনা দিফ্রেন্টলি এবল মীওইশিংগী বাস্কেটবোলগী লমদা টিম অমা শেম্নবা হোৎনরকপনি। মদুগা ইরোয়ননা মশান্না অসিগী কোচশিংদসু অচৌবা পারা অমা পীগদৌরিবনি। কেম্প অসিদা ট্রেনী ২৫ শরুক য়ারি। মদুগী মনুংদা ট্রেনী মঙাদি নুপী শান্নরোয়শিংনি।

পেরালিম্পিক্সকী তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল অসি কুমজা ১৯৬০ দা অহানবা ওইনা হৌদোকখিবনি। মদুদা মালেমগী লৈবাক ১০৫ গী হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াখি। অদুবু ইন্দিয়াগী ওইনা হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল মশান্না অসি হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৪ দা হৌদোকখিবনি।

ঙসি খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল ইন্ট্রোদক্টরি কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি জাসিন্থা লজারোস, দিরেক্টর য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী আর্মষ্ট্রোং পামৈ, হ্বিলচ্যের বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল কলিয়ানি রাজারামন অমদি সোসল ৱেলফ্যের অমসুং য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াগা লোয়ননা স্পেসল স্কুলদা তম্লিবা মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াখি।

# ৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা এন্দ পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৫ (ঐচ এন এস) ঃ শিংজমৈ কাঙখূৎ, চীংঙামথক্লা শীন্দুনা মংশাতাবম ইবোয়াইমা অমদি পুন্যবতিগী নীংশিং কাঙ টুর্নামেন্ট পাঙথোক্তুনা লাকপগুম হন্দক্কী ওইনসু ৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা এন্দ পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী কাঙখূৎ ১৪ না শরুক য়াদুনা কাঙলুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোকপা ৭ শুবা মংশাতাবম ইবোয়াইমা এন্দ পুন্যবতি মেমোরিএল মিক্স লীগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি গ্রুপ সীগী লমশাং কাঙখূৎ অমদি শিংজমৈ-বি কাঙখূৎ শান্নখি।

মেচ অদু লমশাং কেন্দ্র কাঙখূৎনা টোস ঙমদুনা কাঙ কাপ্পা হৌখি। অদুগা শিংজমৈ কেন্দ্র-বি কাঙখূৎনা মায়কৈ খনখি। কাঙখূৎ অনীগী মায়কৈদগী কন্না কাপ্পখিবা কাঙ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা শিংজমৈ কেন্দ্র-বি কাঙখূৎনা লমশাং কেন্দ্র কাঙখূৎপু পাঞ্জল ৯-৬ তা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদগী গ্রুপ এগী শগোলবন্দ কেন্দ্র কাঙখূৎ অমদি কৈশামথোং কেন্দ্র কাঙখূৎ শান্নগনি।

# লালপানিনা রামগাইজাং থোইখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ৫ (ঐচএন এস) ঃ মমাঙ থাগী ৩১ দগী হৌদুনা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা টিম ৮ না শরুক য়ারদুনা শান্নবা হৌরকখিবা ১৪ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব-জুনিয়র বোইজ (চহী ১৫ অমসুং ১৫ মখা) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী এন হরিচরন ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা লালপানি স্পোর্টস ক্লব টিমনা আর ৱাই সী রামগাইজাং টিমবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেচ অদুগী টোস লালপানি স্পোর্টস ক্লবনা ঙমদুনা ফুটবোল মেচ অদুগী মায়কৈ খনখি। অদুগা আর ৱাই সী রামগাইজাংগী টিমনা বোল কাওবা হৌখি। শান্নবগী অহানবা হাফতা লালপানি স্পোর্টস ক্লবকী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ লালকানজুলনা শান্নবগী ৩ শুবা মিনিটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা আর ৱাই সী রামগাইজাংবু য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

ঙন্না পাঞ্জল চনশিল্লকপদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবগী ৱাখল খল্লিঙৈ মপুং ফাবা ঙমদ্রিঙৈদা লালপানি এস সীগী মায়কৈদগী খঙহৌদনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১২ জোসুৱানা শান্নবগী ৭ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা এন হরিচরন ট্রোফি হায়না মীংথোল্লিবা ১৪ শুবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব-জুনিয়র বোইজ (চহী ১৫ অমসুং ১৫ গী মখা) ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা আর ৱাই সী রামগাইজাংবু ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

আর ৱাই সী রামগাইজাংগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জল ২ অদু হন্দোক্লবা হোৎনরকপদা অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৪ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৯ রামগাইখ্বাননা চন্দুনা স্কোর বোর্দতা রামগাইজাংগী পাঞ্জল ১ অদুগা লালপানি এস সী ফুটবোল টিমগী পাঞ্জল ২ লৈখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা লালপানিনা ২-১ দা মাঙজিল থারিবা স্কোর অদু হোংবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফতা আর ৱাই সী রামগাইজাংগী মায়কৈদগী শোত্থখিবা পাঞ্জল অমখক অদু হন্দোক্লবা মখোয়গী শান্নরোয়শিংগী মরক্তগী অকনবা পাঙ্গল ফুদোক্তুনা শান্নরবসু লালপানি এস সীগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়না হেল্লিবা পাঞ্জল অদু মাঙখিদনবা শান্না ঙমদুনা মেচ অদু মখোয়না থোইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং মিরপুর ফুটবোল ক্লব অমসুং ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপরা শান্নগনি।

# নম্বোল কেন্দ্র কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৫ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিএসন (মাকা) গী মীৎয়েং মখাদা ৱাঙ্গৌই আই পি টিমনা শীন্দুনা ৱাঙ্গৌই লোংজম লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা চত্থরিবা ফর্ষ্ট লেট দল্লিয়ু নিপামচা সিংহ (এক্স সী এম মণিপুর) মেমোরিএল কেন্দ্র ৱাইস লীগ কম নোকআউট ওপন কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা নম্বোল কেন্দ্র কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে।

কাঙখূৎ ১৪ না শরুক য়াদুনা কাঙলুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা কাঙ টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি ৱাঙ্গৌই কেন্দ্র-বি কাঙখূৎ অমদি নম্বোল কেন্দ্র কাঙখূৎ শান্নখি। মেচ অদু ৱাঙ্গৌই কেন্দ্র-বিনা টোস ঙমদুনা কাঙ কাপ্পা হৌখি। অদুগা নম্বোল কেন্দ্রনা মায়কৈ খনখি। কাঙখূৎ অনীগী মায়কৈদগী কাপ্পখিবা কাঙ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা নম্বোল কেন্দ্র কাঙখূৎনা ৱাঙ্গৌই কেন্দ্র-বি কাঙখূৎপু পাঞ্জল ১০-৯ দা মায়থীবা পীখি।

অহানবা লেট দল্লিয়ু নিপমাচা সিংহ (এক্স সী এম মণিপুর) মেমোরিএল কেন্দ্র ৱাইস লীগ কম নোকআউট ওপন কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী মখা চত্থরকপা লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা হয়েং ৱাঙ্গৌই কেন্দ্র-বি অমসুং ৱাঙ্গৌই কেন্দ্র আই এস কে শান্নগনি।

# ইম্ফাল য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী সিটি ৬ তা মরিশুবা সনফীষ্ট কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওক্টোবর থাদগী হৌরগনি




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৫ (ঐচ এন এস) ঃ স্পোর্টস মেনেজমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদনা মাঙজিল থাদুনা মণিপুরগী কোনুং ইম্ফাল য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমগী সিটি ৬ তা সনফীষ্ট কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরিশুবা ইদিসন পাঙথোক্লগনি হায়না মেনেজমেন্ট অসিগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

হায়রিবা সনফীষ্ট কপ ২০১৮ অসিদা নুপামচাগী চহী ১৩ গী মখা অমসুং চহী ১৬ মখাগী শান্নরোয়শিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইগদৌরিবনি। মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা ইম্ফালদা, মেঘালয়াগী ওইনা শিল্লোংদা, মিজোরামগীনা আইজোলদা, ত্রিপুরাগীনা অগরতলাদা, অরুনাচল প্রদেশকীনা ইটানগরদা অমসুং অসামগীনা গুৱাহাটিদা সনফীষ্ট কপ ২০১৮ পাঙথোক্কদৌরি। পূন্না অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা ওক্টোবর ৩ দগী হৌরগা দিসেম্বর ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদগী মায় পাকপা ষ্টেট ৬ কী টিম অদুনা সনফীষ্ট নোর্থ ইষ্ট জুনিয়র চেম্পিয়ন্সকীদমক ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

আইজোলদা টুর্নামেন্ট অসি ওক্টোবর ৩ দগী হৌরগা ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি। শিল্লোংদনা ওক্টোবর ৯ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি। ইম্ফালদনা ওক্টোবর ২৪ দগীনা ২৮ ফাওবা টুর্নামেন্ট অসি শান্নগনি। ইটানগরনা টুর্নামেন্ট অসি ওক্টোবর ৩০ দগীনা নবেম্বর ৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মদুগী মতুং তারক্পদা অগরতলাদা নবেম্বর ২২ দগী ২৬ ফাওবা টুর্নামেন্ট অসি শান্নগদৌরি। অদুগা অসামগী কোনুং গুৱাহাটিদনা সনফীষ্ট কপ ২০১৮ অসি দিসেম্বর ৪ দগী ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না স্পোন্সর ওইরিবা স্পোর্টস মেনেজমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

টুর্নামেন্ট অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংদা তঙাইফদনা লৈরিবা এক্সপোজর পীবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা ফংহনগদৌরি। টুর্নামেন্ট অসিগী অকুপ্পা চৎন-পথাপ য়াওবা চেরোল অমদি মীং চনবগী ফোর্ম অদু তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং অদুগী ফুটবোল এসোসিএসনগী খুথাংদা ফংহনগনি। স্কোলরশিপ, ট্রোফি অমসুং খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়, গোলকীপর অমদি কোচকী মনাসু পীগদৌরি।

HL-B/4720/24/6-21/08 (alt.)




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com